**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 16-10-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) নুমিৎ নিনি চথুগদবা ইন্দিয়ান হিমালায়ান রিজন ক্লাইমেত চেঞ্জগী মীফম ঙসিদগী ইম্ফালদা হৌখ্রে।

২) নিংঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা পাঙথোকপা ঙাগী মেলা থা অসিগী ২২ দা ইম্ফালগী হপ্তা কাংজৈবুংদা পাঙথোক্লগনি।

৩) মণিপুরদা মীওই ১০২ নৌনা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবা থেংনরে। ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী য়ুমথোঙ ৮১ দা ঙসি দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবা মীওইশিং থেংনখি।

৪) নাগালেন্দ সরকারনা জ়কো তম্পাকপু লুপা কোতি ২৫০ চংনা মালেমগী থাক্কী তুরিষ্ট স্পোট অমা ওইনা শেমগৎনবা প্রস্তাব তৌখ্রে।

অমসুং

৫) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- হৌখিবা নুমিৎ নিনি অসিদা লেফটৱিং এক্সত্রিমিষ্ট ২৫৮ হিংশা থাদোক্কুনা সরকারদা চংজরকখ্রে।

------

ভল্লা (এল)ঃ নুমিৎ নিনি চথুগদবা ইন্দিয়ান হিমালায়ান রিজন ক্লাইমেত চেঞ্জগী মীফম ঙসিদগী পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফালদা লৈবা সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা হৌদোকখ্রে। রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ

ক্লাইমেত চেঞ্জনা শিন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা চীফ সেক্রেতরি ডাঃ পুনিত কুমার গোয়ল অমসুং ফোরেষ্ট ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগী প্রিন্সিপাল সেক্রেতরি অরুন কুমার সিনহা শরুক য়াখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা চীফ সেক্রেতরিনা ফোটো অমসুং ফাইন আর্ট একজিবিসন অমদি ক্লাইমেত চেঞ্জ এদপটেসনগী থ্রি দি মোদেলশিং হাংদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা চীফ সেক্রেতরিনা হায়- মণিপুরগী হৌজিক হোংলক্লিবা অঙ্গীং অশাগী খল অসিদা অসিগুম্বা মীফম অমা পাঙথোকপা হায়বসি তাঞ্জা য়ামা চাই অমসুং য়ামা মরুওই। মণিপুরদসু অঙ্গীং অশাগী খল কায়বগী চৈথেং ফংলে হায়বা য়াই। রাজ্য অসিদা ঈচাউ হঞ্জিন হঞ্জিন থোকপা অমসুং ওক্তোবর থা ফাওবদা নোং চুরকপা অসিনা তাকপদি নোংজ্ থাগী মতম শাংদোরকপদৌনা তৌরে। মহাকা হায়- ঈশিং ঈচাউ থোকপনা নোং চুশিল্লকপা অসিনা লৌউ শিংউগী লম, ফুড সেক্যুরিতি, ৱাটরি রিছোর্সেস, মীয়ামগী হকশেল অমসুং শেনমিৎলোন চাউনা চৈথেং পীরে। চীফ সেক্রেতরিনা হায়- রাজ্য অসিদা অঙ্গীং অশাগী খল হোংলক্লিবা অসি থেংননবা সরকারনা থৌরাং কয়া লৌখৎলে। রাজ্য অসিগী পাৎশিং অমসুং ইফুৎশিং য়োকখৎতুনা থমবা থবক কয়ামরুম পায়খৎলি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা রিছোর্স পার্সনশিংনা ৱা ঙাংখি। মীফম অসিগী হয়েং লোইশিনবা নুমিৎতা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা শরুক য়াগনি। থৌরম অদুদা রাজ্যপালনা তোঙান তোঙানবা লাইরিকশিং ফোংবগা লোয়ননা ষ্টেট ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত দেটা সেন্তর অমা হাংদোক্কনি।

সরদা (এল)ঃ রাজ্য অসিদা পুথোকপা পোখোকশিং খক্তনা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা মণিপুর অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা য়ুমথোঙ খুদিংদা চথুগদবা আত্মা নিরভর ভারত সংকল্প অভিয়ানগী কেম্পেন অমসুং কেম্পেন অসিগী পোষ্টর কেম্পেন বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ. সরদানা হৌদোকখ্রে। কেম্পেন অসি লৈবাক অসিগী প্রধান মন্ত্রি ওইরম্বা অতল বিহারি বাজপায়গী

মপোক নুমিৎ দিসেম্বর ২৫ ফাওবা চথ্তগনি। বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশনা শিন্দুনা ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রীমতি সরদানা হায়- রাজ্য অসিদা লৈরিবা খুৎ-শা হৈরবা মীওইশিং য়োকখৎতুনা মীপাল তাংদবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। রাজ্য অসিদা সরকারনসু ষ্টার্টঅপ স্কিম হৌদোক্তুনা ওন্তরপ্রেন্যুরশিং য়োকখৎতুনা অমদি লমদম অসিগী মশাগী ওইজবা পোত্থোক কয়া পুথোকহন্নবগী থবক পায়খৎলি। অসিগুম্বা সরকারগী খোঙথাং কয়া অসিনা শেনমিৎলোনগী ফিভম ফগৎহনবতা নত্তনা মীপাল তাংদবা রাজ্য অমা ওইবা ঙমগনি।

মেলা (এল)ঃ চহি খুদিংগী নিংঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা পাঙথোকপা ঙাগী মেলা কুমশি চহিগী ওইনা লাক্লিবা তাং ২২ দা ইম্ফালগী হপ্তা কাংজৈবুংদা পাঙথোক্লগনি। রাজ্যগী ফিসরিজ দাইরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- মেলা অসিদা কিলোগ্রাম ১ লুম্বা শরেংগী মমলনা লুপা লিশিং ১,১০০, কিলোগ্রাম ১ গী মথকা লুপা লিশিং ১,২০০ অমসুং কিলোগ্রাম অনিগী মথক্তা লুপা লিশিং ১,৫০০ পীগনি। কটলানা কিলোগ্রাম ১ দা লুপা ২৪০ দগীনা লুপা ৪০০ ফাওবা, রৌনা কিলোগ্রাম অমদা লুপা ২৩০ দগী ৩৫০ ফাওবা, মিরগলনা লুপা ২৩০ দগী ৩৫০ ফাওবা, কমন কাল্ফনা ল্‌পা ২২০ দগী ৩০০ ফাওবা, গ্রাস কাল্ফনা লুপা ২৬০ দগী লুপা ৪০০ ফাওবা, সিলভর কাল্ফনা লুপা ২২০ দগী ২৪০ ফাওবা, বিগ হেদনা লুপা ৩০০ দগী ৩৫০ ফাওবা, পেংবা অমসুং খাবক্কী ওইনা লুপা ৪৫০ দগী ৫৫০ ফাওবা, ঙাতোন্না কিলোগ্রাম ১ দা লুপা ৪৫০ দা ফংগনি।

সিএমঐচটি (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পৌরাবী অমসুং থংনবা খুঙ্গংশিংদা লৈবা মশাগী চহি ৭৫ গী মথক্তা লৈবা মীওই ১০০ হেনবদা সি.এম.ঐচ.টি, পি.এম.জে.এ.ৱাইগী হেলথ কার্দ অমসুং খুদোলপোৎশিং য়েন্থোকখ্রে।

মোধু এন্দ সনাহনবী মেমোরিয়েল ট্রষ্টনা শিন্দুনা জেম পাব্লিক স্কুলদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা অকাশবানি ইম্ফালগী নিউজ য়ুনিতকী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর জোগেন্দ্রজিৎ থোকচোম, সি.এম.ও ইম্ফাল ইষ্ট ডাঃ এল. ইন্দিরা, জিলা অসিগী সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিসার থমাবতি, ট্রষ্টকী চেয়ারমেন দব্লিউ. ইবোহনবী অমসুং ৱাইতোন গ্রাম পঞ্চায়টকী চেয়ারপার্সন কে. কলাচান্দ শরুক য়াখি।

পুলিস(এল)ঃ মণিপুর পুলিস লিংখৎখিবগী ১৩৪ শুবা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা কিলোমিতর ১৬ অমসুং কিলোমিতর ৫ শাংবা রেজিং ডে রন পাঙথোক্কদৌরি।

ত্রাফিক কন্ট্রোল পুলিস ৱিংগী এস.পিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- মণিপুর পুলিসনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা লমজেল অসি লাক্লিবা থাংজ নুমিৎতা কংলাগী নোংচুপ থংবা গেটতগী লমথারগা তেরিতোরিয়েল আর্মি গেট ক্রোসিং ফাওবা চৎলবা মতুং কংলাগী নোংচুপ থংবা গেটতা পন্থুংফম ওইগনি। লমজেল অসিগী য়েংলগা লমথাফম কংলাংগী নোংচুপ থংবা গেট, নিতাইপাৎ চুথেক, কৈশামপাৎ জঙ্কসন, নিংথেমকোল, এয়ারপোর্ট লম্বী, তেরিতোরিয়েল আর্মিগী গেট ফাওবা চৎলুরবা মতুং লম্বী অসিদা অমুক হল্লক্কনি। লম্বী অসিগী নোংচুপ থংবা অমসুং অৱাং থংবা সাইদশিং গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অথিংবা খরা লৈগনি।

অমরোমদা, থা অসিগী ১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৩৪ শুবা মণিপুর পুলিস রেজিং ডেগী ফুল রিহারসেল লাক্লিবা ইরাই নুমিৎতা পাঙথোক্লগনি। মরম অদুনা লম্বী চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈরগনি। ত্রাফিক কন্ট্রোল পুলিস ৱিংগী এস.পিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- সিংহ্ এন্দ কম্পনি মোইরাংখোমদগী সিভিল সেক্রেতরিয়েট তমা লাকপা গাড়িশিং অয়ুক পুং ৭ তগী অথিংবা লৈগনি। কালিমাই মন্দিরদগী বি.এস.এন.এল ওফিস ফাওবা ফঙ্কসন মনুংদা গাড়ি খাম্বা য়ারোই হায়রি।

দেঙ্গি (এল)ঃ  মণিপুরদা মীওই ১০২ নৌনা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবা থেংনরে। রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা থোকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না ওক্তোবর ১৪ দগী ঙরাং ফাওবদা সেম্পল ১৮২ টেষ্ট তৌখি।

চেরোল অদুনা হায়- ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফম ১০ দা লৈবা য়ুমশিং সর্ভে তৌবদা য়ুমথোঙ ৮১ দা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবা মীওইশিং থেংনখি। হৌজিক ফাওবদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম লিশিং ১,৭৩০ অমসুং রিলিফ কেম্প ৬ তা মৈখু কাপথোকখ্রে। মসিগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা লৈকাই লিশিং ১,৩৬২ অমসুং রিলিফ কেম্প ৯ দা দেঙ্গি লায়নাগী মতাংদা মীয়ামদু ভাব তাহনবগী থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে।

সেকমাই (এল)ঃ  এম.এল.এ- হৈখাম দিংগোনা হায়রি- লম্বীশিংদা ব্লেক টোপ্পিং অসি চহি অনি অহুমদগী হেন্না চৎতবনা কংক্রিত চেক্কর টাইলস ওইনা থাবা য়াব্রা হায়বদু য়েংশিল্লগনি।

সেকমাই কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা লোইতাং খুনৌ ময়াহ লৈকাইদা শাবা কম্ম্যুনিতি হোল অমা ঙসি হৌনবী মতুংইন্না শঙ্গাবগী থৌরমদা মহাকা হায়- কংক্রিত চেক্কর টাইলস অসিনা কুইনা চৎপগী মথক্তা অকায়বা য়াওরবসু কায়রিবা শরুক অদুতমক শিনবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈহল্লি। মরম অসিনা কেন্দ্র অসিদসু মসি থবক ওইনা ওন্থোকপা য়াব্রা হায়বদু য়েংশিল্লগনি।

চান্দেল (এল)ঃ  সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্ম্যুনিকেসন ফিল্ড ওফিস চান্দেল, ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদ কাষ্টিং মন্ত্রালয়না শিন্দুনা স্বাচতা হি সেবা ২০২৫ গী মতাংদা স্পেসিয়েল আউটরিটচ প্রোগ্রাম অমা চান্দেলগী জিলাগী কৈথেলমানবী খুলদা পাঙথোকখ্রে।

মেলা (এল)ঃ	ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী ওফিসতা সেল্ফ হেল্ফ গ্রুপ অমদি আই.দি.পিশিংনা পুথোকপা পোৎলমশিং য়োনবা মেরা থাগী কৈথেল হায়না মীংথোনবা মেলা অমা ঙসিদগী হৌখ্রে। নুমিৎ নিনি চুপা চত্থগদবা মেলা অসি মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফলিহুদ মিসন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিন্দুনা পাঙথোকপনি।

নাগালেন্দ ঃনাগালেন্দ সরকারনা জ়কো তম্পাকপু মালেমগী থাক্তা তুরিষ্ট স্পোট অমা ওইনা শেমগৎনবা প্রস্তাব তৌখ্রে। মালেমগী থাক্তা লৈবাক অসিগী লম কোইফম ৫০ শেমগৎনবা সরকারনা পায়খৎলিবা থৌরাং অসিদা রাজ্য সরকারনা জ়কো তম্পাকপু লম কোইফম অমা ওইনা শেমগৎনবা প্রস্তাব তৌখিবনি। নাগালেন্দগী তুরিজম অমসুং হায়র ইজ়কেসন মন্ত্রি তেমজেং ইমনা অলোংনা উদয়পুরদা পাঙথোকপা তুরিজম মন্ত্রিশিংগী নুমিৎ নিনিগী জাতিগী মীফমদা প্রস্তাব তৌখিবনি।

ঙরাং লোইশিনখিবা মীফম অদুদা তুরিজম মন্ত্রালয়না লুচিংদুনা জাতিগী থৌরাং অমা ওইনা লৈবাক অসিদা মালেমগী থাক্তা লম কোইফম ৫০ শেমগৎপদা অহেনবা মীৎয়েং থমখি। নাগালেন্দনা জ়কো তম্পাকপু অন্তরজাতিগী ইকো তুরিজম মফম অমা ওইনা লুপা কোতি ২৫০ চংনা শেমগৎনবা প্রস্তাব তৌখি। প্রোজেক্ট অদুদা মফম অদুদা ইকো ফ্রেন্দলি ওইবা হোটেল শেমগৎপা, লম কোইবা লাকপা মীয়ামগী তঙাইফদবশিং শেমগৎপনচিংবা য়াওরি।

সাহ ঃগৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- হৌখিবা নুমিৎ নিনি অসিদা লেফটৱিং এক্সত্রিমিষ্ট ২৫৮ হিংশা থাদোক্তুনা সরকারদা চংজরকখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাদোরকপা পোষ্ট অমদা মন্ত্রিনা ছত্তিসগরদা ঙসি নক্সলাইট ১৭০ অমসুং ঙরাংনা নক্সলাইট ২৭ সরকারদা চংজরকখি। মহারাষ্ট্রদনা ঙরাং নক্সলাইট ৬১ মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিল্লকখি। মহাকা হায়- ছত্তিসগরদা মমাং চহিদগী বি.জে.পিনা সরকার পায়রকপদগী নক্সলাইট লিশিং ২

চংজরকখ্রে, লিশিং ১,৮০০ না ফারে। অদুগা নক্সলাইট ৪৫০ হেন্না হাৎখ্রে। গৃহ মন্ত্রিনা হায়- নক্সলাইটকী থবক থৌরমশিং লোইশিল্লক্লে অমদি মথং চহিগী মার্চ ৩১ ফাওবদা সরকার অসিনা নক্সলাইটকী ইরাং পুন্বা পুংমুৎ মুথৎনবা পান্দম থল্লি।

দোনর ঃ কেন্দ্রগী কম্ম্যুনিকেসন অমসুং দোনর মন্ত্রি জোতিরঅদিত্যা সিন্দিয়ানা উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধা কৃষ্ণনগা ঙসি পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা শ্রী সিন্দিয়ানা কম্ম্যুনিকেসন মন্ত্রালয় অমসুং দোনর মন্ত্রালয়না তুংদা পায়খৎকদবা থৌরাংশিং অমদি মরুমওইবা থবকশিংগী মতাংদা উপ-রাষ্ট্রপতিদা পাউদমখি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা ডপ-রাষ্ট্রপতিনা হায়- শ্রী সিন্দিয়ানা লৈবাক শিনবা থুংবদা তেলিকোম অমসুং ইন্তরনেটকী ইনফ্রাষ্ট্রকচর পাকথোক চাউথোরক্লিবা অসিগী মতাংদা পাউদমখি। লৈবাক অসিগী অরোইবা পন্থুং ফাওবদা লৈরিবা মীয়ামদা কন্নেক্তিভিতি অমসুং অতাবা মমলদা মোবাইল দেটা ফংহন্নবা সরকারনা হোৎনরিবা অদুবুসু পাউদমখি।

বিহার ঃ বিহার বিধান সভা মীখলগীদমক জনতা দল যুনাইতেদনা মীরেপ ৪৪ গী মীং লাউথোকখ্রে। নিতিশ কুমারনা লুচিংবা সরকারদা য়াওরিবা কেবিনেট মন্ত্রি খরগী মীংসু য়াওরে।

বিহার বিধান সভা মীখলগীদমক বি.জে.পিনা মখোয়গী মীরেপশিংগী অহুমশুবা লিষ্ট ফোংলে। মসিগা লোয়ননা এন.দি.এগী সিট য়েন্নবদা দল অসিনা ফংবা সিট ১০১ গী বি.জে.পিগী মীরেপ ওইগদবশিংগী মিং লাউথোকপা লোয়রে।

মরক অসিদা, উপেন্দ্র কুসৱাহানা লুচিংবা রাস্ত্রিয়া লোক মোরচা, দলগী মীরেপশিংগী মিং লাউথোকখ্রে।

সিট ২৪৩ লৈবা বিহার বিধান সভাগী মীখল তাঙ্কক অনি থোকা নবেম্বর ৭ অমসুং ১১ দা ভোৎ থাদনগনি। ভোৎ মশিংনা নবেম্বর ১৪ থীগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

পোলো ঃ  ৩৮ শুবা এন. হজারি অমসুং ডাঃ এন. তোম্বী ষ্টেট পোলো তুরনামেন্ট ২০২৫ থা অসিগী ১৯ দগী ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা হৌরগনি। তুরনামেন্ট অসিদা তোঙান তোঙানবা পোলো ক্লব ৩৮ না শরুক য়াগনি।

ফূটবোলঃ  ককচিং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা ২১ সুবা কে.কে. মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এ.আই.এফ.এ ইরেংবন্না য়ু.বি.এস.এ মন্তকপু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখি।

ফূটবোলঃ  ককচিং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা ২২ সুবা লৈহাও দেবী মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কে.এম.এস.দব্লিউ.সি কৈরক মুস্লিমনা এস.এ.ও ককচিংবু পাঞ্জল ৯-০ দা থোইখ্রে।

যোগ (এল)ঃ  অরাম্বম ইবোমচা অমদি অরাম্বম পুরাবতি দেবী মেমোরিয়েল মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ইন্তর কলেজ যোগ তুরনামেন্ট ঙসিদগী হৌখ্রে। মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী স্পোর্টস কমিতিগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোমপাৎতা লৈবা মোর্দন কলেজনা শিন্দুনা কলেজ অসিগী ওদিতোরিয়মদা চথুরিবা তুরনামেন্ট অসি নুমিৎ নিনি চুপা পাঙথোক্কনি। তুরনামেন্ট অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী মখাদা লৈবা কলেজ ৮ গী মহৈরোই ২৫ রোমনা তোঙান তোঙানবা কেটাগোরিশিংদা অথোই অহেন তান্নরি।

রেষ্টলিং (এল)ঃ ইন্দিয়ান আর্মিনা শিন্দুনা সেনাপতি জিলাদা থা অসিগী ১৪ দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোকখিবা থার্দ ইদিসন ওফ সেফ কে. অসুলি বির চক্র নাগা ইন্দিজিনস রেষ্টলিং চেম্পিয়নসিপ ঙসি লোইশিনখ্রে। চেম্পিয়নসিপ

অসিদা চহি ১০ দগী ২০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা রেষ্টলরশিংনা তোঙান তোঙানবা চহি কাংলুপকী ৱেথ কেটাগোরি অহুমদা লম্বা থেংনখি।

হোক্কি ঃ মালেসিয়াদা চথুরিবা সুলতান ওফ জোহর কপ হোক্কী ২০২৫ দা ভারত ওষ্ট্রেলিয়াগী মখৎতা মায়থিহৌরে। মালেসিয়াগী তমনদয়া ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ওষ্ট্রেলিয়ানা ভারতপু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইখি। ভারতকী মথংগী মেটচ মালেসিয়াগা হয়েং নুংথিল পুং ২ দা শান্নরগনি।

বেদমিন্টন ঃ দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন তুরনামেন্টতা ভারতকী শান্নরোই সট্টলর লক্সা সেন অমসুং নুপাগী দবলসতা টোপ ওইরিবা সতৱিক সাইরাজ অমসুং চিরাক সেত্তি প্রি-ক্বাটর ফাইনেল চংলে। ৱার্ল্ড নম্বর ২১ ওইরিবা লক্সা সেন্না আয়রলেন্দগী হাট ঙুয়েনবু ১০-২১, ২১-৮ অমসুং ২১-১৮ দা থোইখি।

------